## ২৯শুবা মহৈরোইশিংগী হক কনবা নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

মোইরাং, মে ২৮ঃ

মহৈরোইশিংগী হক পীবিনবা লৈঙাক্তা তকশিনখিবা খোঙজংদা লৈখিদ্রবা অথৌবা অহুম্বু নীংশিংদুনা চখৎরকখিবা হন্দক চহীগা ২৯ লক শুবা মহৈরোইশিংগী হক কনবা নুমিৎ ঙসি মোইরাং মল্টিপরপজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা লৈবা অথৌবা অহুমগী মফমদা লৈ–শু কৎতুনা পাঙথোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান–তোঙানবা মহৈলোইশঙ কয়াদগী লাকপা মহৈরোই চা কয়ানা শরুক য়াদুনা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) ময়াই লোইশঙগী মখাদা লৈবা এমসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কমিতিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মোইরাং কলেজী প্রিন্সিপাল কে অনন্দ সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, এমসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কমিতিগী ভাইস প্রসিদেন্ট সিনিং খাগেম্বমনা থৌরম মপু অদুগা এমসু ময়াই লোইশঙগী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ শরাংথেম, অমকিল মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম ঙানবী দেবীনা ইকায় খুম্নরবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

মঞ্জিৎ শরাংথেমনা হায়, ঙসি ঙসিমক মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোই খুদিংমক্না মহৈরোইশিংগী ফঙফম থোকপা হকশিং ফংলিব্রা হায়বশিং পুন্না খঙজিনমিনবা মথৌ তাই। নীংখা তম্না লৈজরম্বা মণিপুর ঙসি ইনিদয়াগী ফিভান্নুংদা তিনখিবা মতমদগী ঐখোয়গী হক মীয়ানচাগী মখাদা লৈখিবনা মতম মতমগী ফঙফম থোকপা হক কয়া মতম চানা ফঙবা ঙমদনা লাক্লি। লোয়ননা লমদম অমা চাওখৎপদা লমদম অমবু মান্নবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা মহৈরোইশিংগী চাওরবা থৌদাং লৈ। হক কয়া ফঙনবা খোঙজংদা মাংজিল থাদুনা থৱাইনা পোম্বা পীখিবা অথৌবা অহুম্বু ঐখোয় খুদিংমক্না কাউথোকফদে হায়খি।

পনবা য়াই, হৌখিবা চহী ১৯৭৩গী সেপ্টেম্বর ৩০দা মোইরাং মল্টিপরপজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ফঙফম থোকপা অৱাৎ অপাশিং পীবিনবা মতমদুগী পাল্লিবা লৈঙাক্তা হায়জরুবদা পীরক্তবদগী খোইশাওনরবা মহৈরোইশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিনবা অদুদা পুলিসনা লাকশিন্নবা হোৎনখি। মতম অদুদা নিংথৌখোংদগী হাওবিজম ইবোহল কৌবা মহৈরোই অমা নোংমৈনা পান্দুনা শিখি। মহৈরোই অদু লৈখিদ্রবা ফাওবা পীফম থোকপা স্কুলগী অৱাৎ অপাশিং পীরক্তবদগী মখা তানা ১৯৭৯গী মে ২৬তা অমুক চঙশিন্দুনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লিঙৈদা নুমিদাং অথেংবদা মহৈরোই মঙা পুলিসনা ফাজিনখি। লাইবক থিবদি মীনুংশি য়াওদ্রবা মোইরাং পুলিসকী ও সি ইবোহলনা ফাজিন্দুনা লৈরিবা মহৈরোইশিংনা লৈরিবা লোক–অপতা নোংমৈনা কাপশিন্দুনা মহৈরোইশিংগী মনুংদগী উরিকখিন্বম খেলেন অমসুং কুমাম সরত লৈখিদে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এমসুগী ফীরাল চীংথবগা লোয়ননা অথৌবা অহুমগী ফোটোদা মীয়াম্না লৈ–শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

## মহৈরোইশিংবু ময়াদা ফিবুন নম্বগী থৌওং লেপ্পীয়ু ঃ এমসু

ইম্ফাল, মে ২৮ঃ

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা লুচিংবা সরকার অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মীয়াম্না খঙই অদুবু মীয়ামগী খোল্লাউ খোঙ্গোইনদুনা সরকারগী অশোইবা সিষ্টেম শেমদোক্নবা ক্রিটিসাইজ তৌবা মহৈরোইশিং ময়াদা ফিবুল নম্বগী থৌওং অসি লেপ্পিয়ু হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না ফোঙদোরক্লি।

এমসুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী রোসন গোলমৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, সরকারগী অশোইবা সিষ্টেমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱা ঙাংলিবশিং ফাজিন পুনশিনবগী থৌওং অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। হন্দক সোসিয়েল মেদিয়াদা নন লোকেল খরনা মণিপুরীশিং হাৎকনি হায়দুনা কিহন খঙহনবা উৎপা ভিদিও ক্লিপিং কয়া থাদোরক্তুনা ইরমদম অসিদা খোইরাং খোইশাওনবা, চরাংনবা থোকহনখি। থৌওং অসিমক সরকার অসিবু নন লোকেলশিংনা ফোঙনা শীংনবনি হায়না এমসুনা লৌই। হৌজিক ফাওবদা ভিদিও ক্লিপিং অদুদা য়াওরিবশিং অদু তশেংনা ফাগৎলব্রা হায়বা অসিসু হংনিংঙাই ওই।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, দেমোক্রেটিক ইন্সটিট্যুসন অমদা চেক এন্দ বেলেন্স তৌনবা সি এস ও অমদি ওপোজিসন পার্টিশিংনা পোজিটিব ক্রিটিসিজম তৌবা হায়বসি দিমোক্রেটিক্না তৌফম থোকপনি হায়বসিদা করি অকাইবা লৈবগে। পোজিটিব ক্রিটিসিজম তৌরিবা মীওইশিংবু আই পি সি অমসুং আই টি এক্টকী মখাদা ক্রিমিনেল ইন্টিমিদেসন চার্জ তৌরিবসি পোলিটিকেল প্রোজিক্যুসন অমরা, পোলিটিকেলগী লমন খুম্নবা সরকারগী অশোইবা শেমদোক্নবা হোৎনরুবগী খুদোংচাবা লৌবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈব্রা, চেন্নরিবা নন লোকেলশিংবু মীয়ামদা ফাবা মালহন্দুনা মেদিয়াদা ফোঙদোকখ্রগা তশেংনা ফারমদবা অসি মীয়ামদা নমথাক তৌবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈব্রা হায়বনচিংবা ৱাহং কয়া হংলি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কম্মুনিয়েল ওইবা ইহৌ লাক্তনবা ভিদিও সেয়ার তৌরিবা মীওইশিংবু ঙাইহাক্কী থোক্লিবা প্রোব্লেম অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা ফাজিল্লবসু মরাল লৈবা য়েক্লবা অমদা তৌগদবা তোঙান–তোঙানবা এক্ত কয়া পানশিল্লগা লৈবাক্কী ইন্টরেষ্টতা ৱা ঙাংবা মীশক অমদা ষ্টেট সরকারনা উৎলিবা মওং অসি দেমোক্রেসিবু লান্নাৱাহল্লোক পীবনি হায়না লৌই। অদুনা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনদুনা পুলিসনা ফাজিনখিবশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা অথুবা মতমদা থাদোক্কদবনি। করিগুম্বা থাদোরক্ত্রবদি এমসুনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই হায়বসিসু সরকারনা খঙবীয়ু হায়রি।

## লাই হরাউবা অমদি য়াওবদা অথিংবা লাকপা য়াই ঃ উকল

ইম্ফাল, মে ২৮ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী ফাইরেল লমতাদগী হৌজিক ফাওবদা পাঙথোক্লিবা লাই হরাউবগী থৌরমশিংদা তৌরোইদবা কয়া তৌশিনখিবশিং মশা মশানা খঙনা উকলগী ওফিসতা লাক্তুনা নাৎ–পু তামিন্ননবা হোৎনদ্রবদি অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না উমাং লাই কনবা অপুনবা লুপ (উকল)না ফোঙদোরক্লি।

উকলগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি এল অরুননা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, শেংলবা নাৎ, চৎনবীগী থৌরম অসিবু মরিং মরাংবা (মিক্স কলচর নৎত্রগা কলচরেল এসিমিলেসন) থোকহন্দুনা মাঙহন্নবা হোৎনবীদনবা উকলনা মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা থবক চঙশিল্লিবনি। ইশাগী ফুরুপ, লম, চৎনবী শেন্মীৎলোন অমদি লৈঙাক্লোলনচিংবা পূম্নমক মাঙশিল্লকপদগী নুংনাংনরিঙৈ চৈরক্তা ইশা–ইশা খক্কী পেন্নবা নৎত্রগা ময়াম ঙাইহাক নুংঙাইনবগীদমক খল্লগা ঐখোয়গী শক্তম ওইরিবা লাই হরাউববু মাঙহন্নবা, তৌনিং–তৌনিংবা তৌশিনবা হায়বসি ফুরুপ অসিবু কাঙখুলদগী মুখৎনবা খুশিল থৌরাংনি।

মসি ঐখোয়না খঙনদ্রিঙৈদদি খঙনদ্রিঙৈনি। হৌজিক য়াদে, ফত্তে ফুরুপকী শক্তমদা অকায়বা লৈ হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। পূম্নমকসি খঙন–খঙনা লাই হরাউবদা তৌরোইদবা কয়া হঞ্জিন–হঞ্জিন তৌশিনবা হায়বসি ফুরুপ অসি মুখৎনবা হোৎনবা থৌওংনি হায়খি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হৌখিবা তাঙ্কক কয়াদা ফুরুপ অসি মুখৎনবা হঞ্জিন–হঞ্জিন হোৎনখ্রবা শাগৈগী মৈতাল অশীবশিংগী চারোল শুরোলশিংনা ঙসি চখৎরক্লিবা ফুরুপ মুখৎনবা হোৎনবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা উকল অমদি মফুরুপ নুংশিবা মীয়াম্না খোঙফম চেৎনা লেপকনি।

চহী অসিগী লাই হরাউনখিবা মফমশিংদা থোকখিবা তৌফম থোক্তুবশিংদি কেসেট দান্স তৌশিনখিবা, থাবল চোংশিনবা, য়ু য়োনশিনবা নাতে চাদবা শক্তম শাদুনা ঙাওশিন–ফৈজিনবা, দুর্গা ঈরাৎপদৌনা বম্বোলা থাজিনবা, মাইবী, তাম্বুল নুরাবী শাবা অমা অনীনা তৌরোইদবা কয়া তৌশিনবা, শেৎলোইদবা কয়া শেৎশিনবা, বেন্দ পার্টি অমনা লাই হরাউবদা তবলা থিনজিনবা মতম অমদি ফিল্মগী ঈশৈশিং খোঙজিনবা কয়া অসিনি। অসুম্না তৌরোইদবা কয়া অসি তৌশিনখিবশিংনা উকলগী ওফিসতা লাক্তুনা নাৎ–পু তামিন্ননবা অথুবা মতমদা লাকপীয়ু। ফুরুপকী লল অসিবু মাঙনবা শিল্লগা খঙশিন্নদনা চঙদুনা হরাউবা য়াওবা য়াদবগী অথিংবশিং মায়োক্নরকপা য়াই হায়না ফোঙদোরক্লি।

লমায় ১ গী মখা

## অঙাংশিংবু দাইরিয়াদগী ঙাকথোক্নবা ও আর এস...

প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা স্কুলশিংদা জিঙ্ক টেব্লেট অমদি ও আর এস মরাং কাইনা ফঙহনবগী তঙাইফদবা ফোঙদোক্লদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা কেম্পেইন অসি মায় পাক্নবা হোৎনবদা তঙাইফদবশিং অদু তৌনবসু মহাক্না খঙহনখি। প্রোগ্রাম অসিগী মনুং চন্না চা থকপা তৌদ্রিঙৈদা শূৎ শা শেংনা হামদোকপগী মথৌ তাই হায়বগী ৱাফমসু থমখি।

থৌরম অদুদা এদুকেসন এস দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমার সিংহ (আ এ এস), হেল্থ দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর ডা. কে রাজো সিংহ, জেনিমসকী দাইরেক্টর ডা. টি ঐচ ভিমো সিংহ অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিস্নেল দাইরেক্টর ডা. ঐচ রঞ্জিৎ সিংহনা পুন্না ইকায় খূম্নবা মীথুং অদুগা নেসনেল হেল্থ মিসনগী ষ্টেট দাইরেক্টর এন বন্দনা দেবী (আই এ এস)না থৌরম মপু ওইখি।

হেল্থ দিপার্টমেন্ট, পি ঐচ ই দি, এদুকেসন দিপার্টমেন্ট, নেসনেল হেল্থ মিসনগী ওফিসিয়েল অমদি ষ্টাফ, ডাক্তর অমসুং নর্সিশিং থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। তোঙান–তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু ঙসি প্রোগ্রাম অসি হৌনবী মতুং ইন্না হৌদোকখ্রে।

## ভিদিও ক্লিপ থাগৎলকপদা চেন্নবা মীওই ৬ বেলদা...

হায়রিবা মীওইশিং অদুদি কাংমোংমৈস্নাম লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা মাইস্নাম লানঙমগী মচানুপা সুরেস মৈস্নাম (৩৩), পাঙ্গৈ নেপালি বস্পটিদগী লৈখিদ্রবা জাংবহাদুরগী মচানুপা নরেস গুরুং (২৭) সেরৌ বাজারদগী খোয়াথোংগী লৈবা কেঐচ অমুতেম্বীগী ভারাদা লৈবা সঙ্কর দাসকী মচানুপা রোহিৎ দাস (২৯) মফম অদুমক্তগী চিত্ররঞ্জন দাসকী মচানুপা রিঙ্কু দাস (৩২), সেরৌ বজারদগী নিত্যাই মালিককী মচানুপা কিষন মালিক (২৬) লৈখিদ্রবা টি অচৌগী মচানুপা টি মেঘচন্দ্র (৪৩) অমদি থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইদগী লৈচোনবম ইলেন্দ্রো(৩৭)নি।

মীওইশিং অসিবু ফারবা মতুংদা পুং ২৪গী মতুংদা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটতা পুথোকখ্রবা মতুং ঙসি অমুক চৈরাপতা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী চীফ জ্যুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেটতা পুথোরকখিবনি।

হায়রিবা মীওইশিং অসিনা সোসিয়েল মেডিয়াশিংদা শীজিন্নখিবা মোবাইল হেন্দসেট , সিম কার্ডনচিংবশিং পুথোকখি। থৌদোক অদুগী ভিদিও ক্লিপ্পিং অদু মণিপুরদা হান্না লৈরম্বা বিহারি মচা খরনা মপাল লমদা লৈরগা থাগৎলকখিবনি হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি। মখা তবা ওইনা মরাল লৈরবশিং অদুনা লমদমসিদা ভিদিও ক্লিপশিং অদুবু মখা তানা থাদোরকপগী থবকশিং তৌখি হায়নসু হায়খি।

ভিদিও ক্লিপ্পিং অদুদগী ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎলকখিবা আইটি এক্ট সেক্সন, ৮৪–(সি)গী অন্দর সেক্সন ১৫৩–এ। ১৫৩–বি ৫০৫আইপিসিগী মখাদা মশানা মরাল লৈরে হায়বগীদমক কোর্ট অসিদা লুপা লিশিং ৫গী পিআর বোন্দদা বেল থাররক্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মীওই তরুক্না পিআর বোন্দশিং থিদুনা বেল পীদুনা থাদোকখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লৈচোনবম ইলেন্দ্রোদি কোর্টনা বেল লৌরো হায়বসু মশানা য়াজদবনা মখা তানা জেল চঙখি।

জেল চঙলমদাইদা ইলেন্দ্রোনা পাউমীশিংগী মমাঙদা হায়, ভিদিও ক্লিপ্পিং অদুবু শেমখিবা মীওই তরুকপু ফাদনা থম্বীরগা সোসিয়েল মেডিয়াদা সেয়র তৌরুবা কাঙবুশিংবু ফারিবসি য়ানিংদে। অচুম্বা ৱাফম ঙাংবশিংবু লৈঙাক্না চিন্দা ফিবুন নমশিন্দুনা থম্বীরে, মরাল লৈতবা মহাকপু অন–কনি দস্নেল্লি থাদোকপীয়ু। লোয়ননা মখা তাবা ওইনা ইলেন্দ্রো শৌগৎপশিংনা কোর্টতা খোল্লাউ কয়া লাউবগা লোয়ননা লোং লিভ ইলেন্দ্রো, ব্রি সপোর্ট ইলেন্দ্রো হায়বা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

## ককচিংদা ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ককচিং, মে ২৮ঃ

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লাংমৈদোংদা লৈবা ঐচ কৈন্যহল মেমোরিয়েল ইংলিস স্কুলগী দাইরেক্টর কম প্রিন্সিপাল হুইদ্রোম জিতেন সিংহনা হন্দক ডা. এ পি জে অব্দুল কলাম ইন্টর্নেসনেল এৱার্দ ২০১৮ ফংলকপদা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিং, ওজাশিং, নন টিচিং ষ্টাফ, গার্জিয়ানশিং অমসুং মীয়াম্না হরাও তরাম্না ওকখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, এৱার্দ অসি নাগপুর সিভিল লাইনদা লৈবা বসন্ত রাও দেস পান্দে সুভাপুরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা হুইদ্রোম জিতেনদা খূৎশিন্নরকখি। ঙসি ঐচ কৈন্যহল মেমোরিয়েল ইংলিস স্কুল লাংমৈদোংগী মহৈরোই, ওজা, ষ্টাফ, গার্জিয়ান অমসুং মীয়াম্না মহাকপু হরাও তরাম্না ওকখিবনি। জিতেন সিংহ স্কুল অসিগী দাইরেক্টর কম প্রিন্সিপাল ওইনা মহৈ মশিং তম্বীবগী লমদা লৌরিবা থৌদাংবু শক খঙবা ওইনা এৱার্দ অসি পীরকখিবনি। মহাক মমাঙদসু ইন্টর্নেসনেল এৱার্দ ১০, নেসনেল এৱার্দ ৫ ফঙখিবগা লোয়ননা থবক থৌরম কয়াদসু শরুক য়ারুরবনি হায়রি।

## প্রাইভেট স্কুলশিং রিকোগনেসন পঙপীদা পীবা য়ারোইঃ দেসাম

ইম্ফাল, মে ২৮ঃ

লমদম অসিদা চেঙ্গুম শৌবগুম শৌগৎলক্লিবা প্রাইভেট স্কুলশিং মরম চাদনা রিকোগনেসন পঙপীদা পীবা য়ারোই হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না ফোঙদোরক্লি।

দেসামগী সেক্রেটরী জেনরেল সিতল ওইনামনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লৈকাই খুদিংদা বিল্ডিং অমবু লৈরবদি স্কুল অমা হেক্তা লিংখৎতুনা দরকার ওইবা ক্রাইটেরিয়া শুবা শুদবা থিদনা রিকোগনেসন পঙপীদা পীবা য়ারোই। মফম চাবা চাদবা থিদনা কেম্পস লৈবা লৈতবা য়েংদনা অমদি বিল্ডিংগী ইনফ্রাষ্ট্রক্চর য়েংশিনদনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মনিংলোমদগী রিকোগনেসন পঙপীদা পীবগী থবক মখা চখৎবসু য়ারোই।

প্রাইভেট স্কুল অমগী লৈফম থোকপা মচাক মথুমশিং লৈরব্রা লৈতব্রা হায়বদু মাংজৌননা নীংথিনা অমসুং কুপ্না য়েংশিনবা তাই। মমা মপা ওইবশিংনসু মচা মশুশিং মিংচনবদা স্কুল অদু তঙাইফদবা মচাক মথুমশিং লৈব্রা হায়বদু কুপ্না য়েংশিনবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এদুকেস সেক্টরদা সরকারনা য়েংবীবা মীৎয়েংদা পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা সেক্টর অসি ফগৎহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়নসু মখা তাখি।

লমায় ১ গী মখা

## জেএসিগী খোঙজংসু কনশিল্লক্কদৌরি

হৌজিক খোঙজং চঙশিল্লিবা জে এ সিনা মতম শাংনা খোঙজং চঙশিল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্নরকপা অসি য়েংলগা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈরিবা ইমপ্লোয়িশিংনা শেনফমশিং মতেং পাঙবীনবা হায়জনবা ঙরাং পাঙথোকখিবা জে এ সিগী এক্সিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মীফম্না ৱারেপ লৌখ্রে। মরম অসিনা ইমপ্লোয়িশিংনা শেনফমশিং মতেং পাঙবীনবা আপীল তৌখি।

অমরোমদা জে এ সিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং অসিবু শৌগৎলদুনা ঙসি লেবর দিপার্টমেন্ট, আই তি আই, পাৎশোই অমসুং হাউরং সাবল সি দি ব্লোক্কী ষ্টাফশিংনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱান সি দি ব্লোক্কী ওফিস কেম্পসতা ৱাকৎ মীফম চখখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোরকপদা নুমিৎ ৬৮ শুরবা খোঙজং অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা তাবীদবা অসি ইমপ্লোয়িশিংনা পেন্দে।

ষ্টেট ২৯ লৈবা ইন্দিয়াদা ৭ শুবা পে পীদবা ষ্টেট অসি ইরৈ লৈরক্ত্রবনি। অমরোমদা ৭ শুবা পে পীদবা ষ্টেটশিংসু মখোয় মশা মশাগী ষ্টেট কম্মিসন্না রিকমেন্দ তৌবা অৱাংবা পেশিং ফংনখ্রবনি।

মরম অসিনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ইমপ্লোয়িশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি অথুবা মতমদা পীদুনা ইমপ্লোয়িশিংবু তংদু লৈতানা থবক শুহনবীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

করিগুম্বা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা জে এ সিগী দিমান্দ অসি পীদবা তারবদি জে এ সিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা ইমপ্লোয়িশিংনা শৌগৎপগা লোয়ননা শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## হায়কোর্টকী অরোয়বা ৱায়েল...

কোর্টনা কেসশিং অসি লৌখৎলকপদা হান্নরা কেসশিং অসিগী রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংদা নোটিশশিং ইশু তৌখিবগী মতুং ইন্না কোর্টতা সবমিট তৌনরকখিবা এফিদেবিটশিংগী কাউন্টর এফিদেবিটশিং পীটিশ্নরগী মায়কৈদগী কোর্টতা পীশিনখি।

মসিদা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা গভর্ণমেন্ট এডভোকেটশিংনা পিটিশ্নরশিংগী মায়কৈদগী পীরক্লিবা পাউখুমশিং অসি য়েৎননবগী মতম খরা পীবিনবা কোর্টতা হায়জখি। মতাংসিদা কোর্টনা নাকল অনীমক্কী অয়াবা লৌরগা কেসশিং অসিগী মখা তাবা থবকশিং মথং থাগী ৪দা অমুক পাঙথোক্ননবা মতম লেপখি।

অদুম ওইনমক হৌজিক ৱায়েল চখদুনা লৈরিবা কেসশিং অসিগী অরোয়বা লাইখায় তাবা ৱারেপ অমা কোর্টনা লৌদ্রিবা ফাউবদি রোয়েল্টি লৌবা অমদি পুথোক–পুশিন তৌবদা থল্লম্বা অথীংবশিং অদুদি অদুম্মক চৎনহন্দনা লৈখিগনি হায়বা ৱাফমদা য়ান্নখি।

## তৌবুলদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম...

অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অসি মপুং ফাহনবগী থবক অসিদি প্রজা মীয়ামগী মতেং দরকার লৈ। গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিদা প্রজাশিংদা শৌগৎপীদুনা মতেং পাঙবীবা দরকার লৈ হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ওইনাম কেন্দ্রগী এম এল এ এল রাধাকিশোরনা হায়, লন্নাই মীওইগী লমদা গভর্ণমেন্টকী থবক তৌনবগীদমক শেল থাবা য়াদে। অদুবু তৌবুলদা হান্না শেনফম কয়া থাদদুনা শারম্লিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি মীওই অমগী মিংদা লৈবনা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা চাউনা অপনবা ওইরে।

অদুম ওইনমক অথুবা মতমদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা খঙহন্দুনা য়ান্নবা পুরক্নবা হোৎনগনি হায়খি। লোয়ননা মতম শাংনা ঈশিং লৈদুনা লুপা লাক্ষ কয়া খরচ তৌরম্বা অদু চৎলিবা চহি অসিগী দিসেম্বর থা ফাওবদা ঙসি উরেপ উয়ুং তল্লিবা স্কিম অসি লোইশিন্দুনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা পি ঐচ ই দি বিষ্ণুপুরগী ই ই এল গোকুলচান্দসু শরুক য়াখি।

## ইম্ফালদা চঙলকপা থা ৮গী...

অদুবু লৈবাকসিগী ওইনা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সর্টরেনল এফেয়রস (এমঈএ)দগী মপান লৈবাক্কী রিফ্যুজিশিং চঙহনবা য়াবগী পর্মিশন পীরকখিবা লৈতবনা মচা য়াওনা মতৈ–মনাও অসি মফমসিদা দিটেন তৌদুনা থল্লি হায়রি।

মখোয় দিমাপুর রোমদগী ইম্ফাল তম্না লাকপনি হায়রি।

থৌদোকসিগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা ওঠোরিটিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংদা পাউ পীদুনা খঙহনখ্রে। মখোয়না নিউ দিল্লিগী এমঈএগা পাউ ফাউনরগা মখা তানা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়রি।

অদুবু করিগুম্বা এমঈএগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্ত্রবদি মখোয়বু মখোয়না লাক্লিবা মফমদুদা হলহনখিগনি হায়রি।

পাউসিনা মখা তানা হায়বদা হৌজিক মচা অমা য়াওনা দিটেন তৌদুনা থল্লিবা মতৈ–মনাওসিগী মেডিকেল চ্যেকঅপনচিংবা পাঙথোক্তুনা হৌজিক ফাওবদি চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থল্লি হায়রি। অঙাং য়াওনা মতৈ–মনাও অসিগী মথক্তা মাও পুলিস ষ্টেসননা ফোরেনরস এক্টকী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা লৌখৎখ্রে। হয়েং মরী লৈনবা কোর্টতা পুথোক্লগনি হায়রি।

## নোংমগী ওইবা মীয়ামগী খন্ন–নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ঃ

অপুনবা মণিপুর কনবা ইমা লুপ (অমকিল)না শীন্দুনা নোংমগী ওইবা মীয়ামগী খন্ন–নৈনবগী মীফম ‘পিপল মুভমেন্ট এগেনষ্ট অফস্পা’ হায়বা হিরমদা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এল এম এস লো কলেজগী প্রোফেসার এন প্রমোদ, ওল মণিপুর সোসিয়েল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজগী প্রসিদেন্ট ইমা থোকচোম রমানি, ওল মণিপুর তম্মী–চীংমী অপুনবা নুপী লূপগী প্রসিদেন্ট ইমা সোইবম মোমোন লৈমা, ফিদমগী প্রসিদেন্ট কাঙুজম রঞ্জিৎ, ইফমগী জেনরেল সেক্রেটরী ইদিনা য়াইখোম অমদি অমকিলগী প্রসিদেন্ট ইমা ফঞ্জৌবম সখিনা মথং শীৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকাই খুম্নরবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা অমকিলগী প্রসিদেন্ট ফঞ্জৌবম সখিনা হায়, অফস্পানা প্রজা মীয়মাদা অৱা–চৈথেং কয়া পীরিবনি। হায়রিবা এক্ট অসি ১৯৫৮তা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখি। মতম অদুদা চীং অমসুং তমগী ওইনা লাইশ্রম অচৌনা কাখি। মহাক্না পার্লিয়ামেন্টতা এক্ট অসি মীয়াম তিনবা মরক্তা থম্বা য়ারোই হায়না লাউখি। অদুবু মহাক্কী খোল্লাউ তাবিবগী মহুৎত্তা ১৯৬০দা চীংদা এক্ট অসি চল্লাইবা হৌখি। মসিনা চীংগী লমদমদা ফুবা, চৈবা, হাৎপা–তুপ্পনচিংবা মীওৎ মীনৈ কয়া চখৎরকখি। মসিদা নত্তনা নুপী ওইবী কয়াদা মীওৎ মীনৈ চখৎবতা নত্তনা ইজ্জৎ মাংহনবীবা কয়াসু চখৎরকখি।

হায়রিবা এক্ট অসি ১৯৮০দা তম্পাক্তা অমুক চল্লাইবা হৌখি। তম্পাক্তসু এক্ট অসি লৌথোক্নবা মীওই কয়ানা রেল্লি চৎখি। অসিগুম্বা তমথিরবা এক্ট অসি মফম খরদগী লৌথোক্লে হায়রবসু অদুমক মীহাৎ–মীপুন চখৎরি। মরম অদুনা হৌরক্লিবা তুংগী মীরোলগীদমক এক্ট অসিনা চৈথেং ফংদনবগীদমক লৌথোকহনবা তঙাইফদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লমায় ১ গী মখা

## মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা ঙমখৈ থুগায়নবা তিনবা নত্তে...

আর এন রবি অসি হৌজিক চখৎরিবা শান্তিগী ৱারী অসিগী ইন্টরলোক্যুটর ওইনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হাপখিবনি। মহাক্না ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসতা ফোঙদোকখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা অসাম য়াওদনা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মণিপুরদা লৈরিবা নাগাশিংগী ওটোনোমস নাগা টেরিতোরিয়েল কাউন্সিল অমা শেম্নবগী ৱাফম অসি ওফিসিয়েল ওইদে হায়গদৌরিব্রা হংখি।

অসিগুম্বা ষ্টেট অমগী মনুংদা অতোপ্পা ষ্টেট অমা শেম্নবগী খোঙথাং অসি কংগ্রেস পার্টিনা য়াবা ঙম্লোই অমসুং মদুগুম্বা খোঙথাংগী মায়োক্তা পার্টিনা চপ চানা লেপ্লি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা এম পি সি সিনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রোটেষ্ট মিটিং অসিগী কনভেনর অমসুং হান্নগী এম এল এ আর কে আনন্দনা হায়, কংগ্রেস পার্টিনা হান্নদগী হৌদুনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা করি য়াওরিবগে হায়বদু মীয়ামদা খঙহন্নবা দাবি তৌদুনা লাকপনি।

মমাঙগী চহিগী সঙাই ফেষ্টিভেলদা মণিপুরদা লাক্লম্বা প্রসিদেন্ট ওফ ইনিদয়াদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিনা করি য়াওরিবগে হায়বদু মেমোরেন্দম পীদুনা তকশিনখিবা অদুগী পাউখুম হৌজিক ফাওবা ফংদনা লৈরি।

মরক অসিদা আর এন রবিনা ইন্দিয়ান এক্সপ্রেস পাউচেদা নাগাশিংগী ওটোনোমস টেরিতোরিয়েল কাউন্সিল অমা শেম্নবগী ৱাফম য়াওনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা শিংনবা য়াবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা অসি কংগ্রেসনা কন্দেম তৌই। অসিগুম্বা টেরিতোরিয়েল কাউন্সিল অমা শেম্বগী ৱাফম অসি ষ্টেট অমগী মনুংদা অতোপ্পা ষ্টেট অমা শেম্নবগী অহানবা খোঙথাং ওইবনা মসি মণিপুর মীয়াম্না য়াফম থোক্তে, কংগ্রেস পার্টিনসু মসিগী মায়োক্তা লৈ হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইনিদয়া গভর্ণমেন্টনা সিতিজেন এমেনদমেন্ট বিলগী ৱাফম পুথোক্তুনা জেইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিতিনচিংবা শেমদুনা আসামদা লাক্তুনা মীয়ামগী মত লৌরকপা হৌরক্লিবা অসিনা অতৈ অপীকপা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা চাউনা অকায়বা থোকহনগনি।

লৈরিবা ইশু অসি তরাই তরাইনা লৌবা য়াবা ইশু নত্তে। বিল অসিদা ইন্দিয়াগী অচৌবা ফুরুপশিংনা ফুরুপ মচাশিংবু য়োৎশিনখিবা য়াবগী অকিবা ৱাফম লৈরিবনি।

মরম অসিনা কংগ্রেস পার্টিনা টেরিতোরিয়েল ইন্তিগ্রিতি, এদমিনিষ্ট্রেটিভ ইন্তিগ্রিতি, কলচরেল ইন্তিগ্রিতিদা শোকহন্দনবা ৱাফমদা থবক তৌদুনা লাক্লি।

কংগ্রেস পার্টিনা ঙসিসু তুমিন্না লৈতে। পার্টিগী হায় কমান্দশিং তান্নরগা ৱাখল মান্নবা পার্টিশিং য়াওনা হয়েংগী প্রোটেষ্ট অসি চখৎগদৌরিবনি। মসিদা মীয়াম অমসুং সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা পোলিতিক্সকী ৱাফমনি খনবীদনা মণিপুরগী তুংলমচৎ অমগী লৌফম থোকপা ফিরেপ অদু লৌমিন্নসি হায়না আপীল তৌখি। লোয়ননা থৌরম অসিদা মীয়াম অমসুং সি এস ওশিংসু শরুক য়াবীদুনা খন্ন নৈন্নবগী থৌরম অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়খি।

## মণিপুর ষ্টেট কো–ওপরেটিভ বেঙ্ক হেন্না কনখৎহনবা...

ষ্টেট কো ওপরেটিভ বেঙ্কশিং অসি পেক্সশিংগী মখা পান্না হিংলিবনি, মরম অদুনা পেক্সশিং অসি মথৌ তৌরক্ত্রবদি বেঙ্ক অসিনা মীয়ামদা ফংহনগদৌরিবা খুদোংচাবা কয়া য়ৌহনবা ঙম্লোইদবনা পেক্সশিং অসি মপাঙ্গল কন্নবা হোৎনবা অমসুং মথৌ নিংথিনা পাঙথোকহন্দুনা কান্নবা লৌমিন্নসি হায়খি।

অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা এম এস সি বিদা পীবা খ্বাইদগী চাউবা মতেং অমদা হান্না বেঙ্কতা তোন্দুনা লৈরম্বা লুপা ক্রোর ১১৬.৪৫গী শেনফম ষ্টেট কেবিনেটকী এপ্রিল ১৬, ইং ২০১৮দা ফমখিবা মীফম অমনা গ্রান্ট ওইনা পীনবা ৱারেপ লৌবা লৈখ্রে।

কো ওপরেতিভ বেঙ্কশিং অসি লমদম অসিদা লৈরিবা তোল্ল তারবা অমদি লৌমী শিন্মীশিংগা পুন্না চৎমিন্নগদবনি। মসি খঙনা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নরবা মতমদা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোনগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমগনি।

অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা ষ্টেট অসিগী য়েংলগা চীং তম অনীদা চপ মান্ননা চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা ইন্তিগ্রেটেদ কো ওপরেটিভ দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট দিষ্ট্রিক্ট ৬ তা হাংদোক্নবা ৱারেপ লৌখ্রবনি। দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদি কাংপোকপী, উখ্রুল, তমেংলোং, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং জিরিবামনি।

মসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা সোসাইতি ২৭০০তা মখল মখা কয়াগী মওংদা কান্নবা পীরগনি।

হৌজিক্কী মতমদা হিরম খুদিংমক্তা বেঙ্ক একাউন্টকী দরকার লৈবনা মরম ওইরগা বেঙ্ক হায়বসি য়াম্নমক দরকার ওইরে। ঙসি হাংদোক্লিবা বেঙ্ক অসি শেন্দোংখক্তগী খনলগা হাংবা অদুগুম্বা বেঙ্ক অমা নত্তে। বেঙ্ক অসিগী চহি ২গী ইতিহাসতা তাঙ্কক কয়াদা অকা অকুম্নাইখ্রে, বেঙ্ককী ফিভম শাথিনা শোকপা য়াওখ্রে। পূম্নমক অদু মপুং ওইনা লোন লৌরগা লোন শিংবিদবা অমদি মতম চানা শিংবীদবনা থোকহনখিবনি। মরম অসিনা মীয়াম্না লোন লৌবিরগা শিংবগী হৈনবী থল্লসি। লোন লৌরগা শিংদ্রবদি মফম অসিদগী পূম্নমক চৎখিগনি হায়বসি কাউথোকপীগনু হায়খি।

এম এস সি বি অসি হৌজিক্তি য়াম্না চাউখৎপা বেঙ্কশিংগী মনুংদা অমা ওইরে। হৌখিবা চহি অনী অসিদা বেঙ্ক অসি হায়নিঙাই লৈতনা ফিভম ফগৎলে।

মণিপুরদা সাসন তৌরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা হেক লাকপদগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লিচিং মখাদা বেঙ্ক অসি মপাঙ্গল কলহন্দবা য়াদে হায়বগী মীৎয়েংদা চংশিল্লকপদগী বেঙ্ক অসি অচৌবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা ঙম্লে।

গভর্ণমেন্টনা বেঙ্ক অসিদা থাজবা থমদুনা দিপার্টমেন্ট কয়াগী ফন্দশিং এম এস সি বিদা থম্বীদুনা বেঙ্ক অসিবু অঙকপা ফঙনা মতেং পাঙদুনা লাক্লি। লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা বেঙ্ক অসিগা খুৎশম্নদুনা মীয়ামগী নুমিৎ, চীংগী লুচিংবশিংগী নুমিৎ, খুঙ্গং চৎসি পায়পাক্না পাঙথোকপদা শরুক য়ারি হায়খি।

বেঙ্ক অসিগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা ষ্টাফশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। ঙসি হাঙদোকখিবা বেঙ্ক ব্রাঞ্চ অসিগী অহানবা একাউন্ট হোল্ডর ওইনা একাউন্ট হাংদোকখিবা অমসুং থৌরম অদুগী থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা ৱাংখেম কেন্দ্রগী এম এল এ কে মেঘচন্দ্রনা হায়, অসিগুম্বা বেঙ্ককী মশা লোইশঙ হাংদোক্লকপা অসিনা য়াইরিপোক বজার অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম্না মায়োক্নরম্বা খুদোংচাদবা খরমখৈদি কোকহনবা ঙম্লগনি।

তোঙান তোঙানবা কেন্দ্রশিং অনেদ্রা, ৱাংখেম, হৈরোক অমসুং সাইকুল কেন্দ্রগী মীয়ামগী চাক্তাফম ওইরিবা য়াইরিপোক বজার অসিদা বেঙ্ক অসিগী মশা লোয়শঙ অমা হাংদোকপা অসিনা মীয়াম্না মপুং ফানা কান্নবা ফংহল্লগনি হায়খি।

বেঙ্ককী খুদোংচাবা মপুং ফানা লৈরবা মফম অমদা চাউখৎ খোঙজেলদা খুমাং চউশিনবা ঙমগনি। লোয়ননা মীয়াম্না বেঙ্ক অসিদা একাউন্ট হাংদোকপীদুনা বেঙ্ক অসি হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুদা এম এস সি বি লিমিটেদকী মেনেজিং দাইরেক্টর এ সুভাসনা হায়, ঙসি হাংদোক্লিবা মশা লোয়শঙ অসিগী মথক্তা অথুবা মতমদা জিরিবামদা জুন থাদা ব্রাঞ্চ অমা হাংদোক্কনি। লোয়ননা সাইকোট, পাউমাতা অমসুং ইমা কৈথেলদা মশা লোয়শঙশিং হাংদোক্নবা থৌরাংসু লৈরে হায়খি।

বেঙ্ক অসি ঙসিদি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ার্সনা ফোরেন ফন্দিং লাকপা লৈবাক অসিগী বেঙ্ক৩২ খনগৎপদা য়াওরে। লোয়ননা অতৈ বেঙ্কশিংদা থমদ্রিবা খুদোংচাবা অমা ওইনা বেঙ্ক ওনভেন হায়দুনা মোবাইল এটিএমগী খুদোংচাবা মীয়ামদা ফংহন্দুনা লাক্লি হায়খি।

থৌরম অদুদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি কো ওপরেসন জে সি রামথাঙাসু ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। ঙসিগী বেঙ্ক মশা লোয়শঙ হাংদোকপগী থৌরম অদুদা এম এল এ কে মেঘচন্দ্রনা মশাগী ওইবা একাউন্ট অমা হাংদোক্তুনা অহানবা একাউন্ট হোল্ডর ওইখি।

## নহা কয়া নিশাগী ইপাক্তগী কন্নবা হোৎনবা মতম...

ঙসি লুক্রাম লৈরক য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা হন্দক্তা ফল লাওথোকখিবা বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা লৌবা হায় স্কুল লিভিং সর্তিফিকেট পরিক্ষাদা মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী মকোক তাখিবী য়াইফবী ময়াংলম্বমবু ওকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ মিরাবাইনা হায়,অফবা খুন্নাই অমা শেম্বা মতমদা তিঞ্জং কায়জংদবা মশা মউ ফবা য়ুম্বী অমা দরকার লৈ।

মসিদা নত্তনা অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা অফবা এদমিনিষ্ট্রেটর দরকার লৈ। ঙসি মণিপুর পুম্বগী ওইনা ক্লাস টেনগী পরিক্ষাদা মকোক থোংলক্লবী য়াইফবীনা আই এ এস অমা ওইনিংবগী ৱাখল্লোন ফোঙদোকপা অসি য়াম্না চাউথোকচনিঙাইনি।

মণিপুর সমাজ অসিদা ঙসিদি নহা কয়া নিশাগী ইপাক্তা লুপ্তুনা লৈবা কয়া য়াওরি। মালেমদা অহোংবা কয়া লাক্লবসু মণিপুরী খুন্নাই অসি নিশানা তপ্পা তপ্পা য়োৎশিল্লকপগুম তৌরি। অসিগুম্বা ময়ায় কাবা নিশা কয়া অসি লল্লোনবা মীওই কাঙবু অমসু থোরকপগুম তৌরিবা অসি মীয়াম পুন্না থিংমিন্ননবা হোৎনবা মতম ওইরে হায়খি। মসিগীদমক ক্লব অমসুং নুপী লুপশিং পুন্না চঙশিনমিন্নবা দরকার লৈ হায়খি।

নিশাগী চৈথেংনা লমদম অসিদা নুপাশিংগী মশীং অসি লেপ্তুনা হন্থরকপগুম তৌরিবা অসি কন্নবা হোৎনবা মতম ওইরে। য়াইফবীনা মেত্রিক পরিক্ষাদা মকোক হেক ওইরকপগী পাউ তাবদা মহাক্না লুপা লিশিং ৫০ পীগনি হায়না খুদক্তা তেলিফোনগী খুথাংদা খঙহনখিবনি।

ইচা হায়বসি মমা মপা ওইবশিংদদি লেঙদ্রবা লন ওইরিবনি। নুপীমচাশিংনা মহৈ মশীংগী লমদা খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিনলকপা অসি নুপীওইবীশিংগী চাউথোকচনিঙাইনি হায়খি। লোয়ননা সি বি এস ইনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ভ পরিক্ষাদা মকোক থোংলকখ্রবী গ্রিলিনা সেঞ্জমদসু লুপা লিশিং ৫০গী শেনফম পীরগনি হায়না লাওথোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হান্নগী এম এল এ ও লন্ধোনি, লমজাওতোংবা জি পিগী প্রধান এলাংবম ওংবী সুসিলা দেবী, ওরিয়েন্তেল কলেজগী এসোসিয়েট প্রোফেসার হঙলেম ইবোমচা, সাহিত্য একাদমী এৱার্দি শরতচান্দ থিয়াম্না ইকাই খুম্নবা মীথুংশিং ওইখি। লোয়ননা এল এল ৱাইসিগী প্রসিদেন্ট সোইবম রনবিরনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।